# মালেমদা ঈং-তপ্পা অমদি নুংশিনবা পুরক্লবা মিৎয়েং - ৬

**ৱাখল ইহুল**
**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

**অথিংবা অমদি ফত্তবা মফমশিং চঙবা :-** মরম অমগীদমক মালেমগী লৈবাকশিংদা চঙবা য়াদে হায়না অথিংবা থন্বা মফমশিং নৎত্রগা ফত্তবা লিচৎ চৎপশিংগী মকোন ওইনা লোন্না শেমগৎলগা লৈবা মফমশিং অচুম্বা তৌগে/চৎকে খনবশিংনা চঙনদে। মখোয়না খঙই মদুদি অদুগুম্বা মফমশিংদুদা হেক চঙলুবদা করিগুম্বা খুদোংথিবা খরদি শোয়দনা নংগনি। মদুদা থওইদনা চঙলুবা থোক্লবদি অচুম্বা থৌওং নত্তে হায়না লৌগনি। অথিংবা মফমশিংদা চঙলুরগনা মীফা-মীপুন থোক্তুনা অৱাবা মায়োক্লগনি নৎত্রগা য়েক্লবা ওইনা লৌখিদুনা নুংশিনদবা হেনগৎকনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মকোল নৎত্রগা অকাম্বা লমচৎ চৎপশিংগী মকোল ওইরগনা খুদোংথিবা অনী/অহুম মায়োক্লগনি। অমনা মশা মাঙনিংঙাই ওইবা, অনীশুবনা মালেমগী খুন্নাইদা ফত্তে হায়না লৌনরিবা থবকশিংদা চেন্নবগীদমক মীফা-মীপুন শোয়দনা নোংমদি নংগনি। মালেমগী লৈবাক খরদা লৈঙাক্কী ফমথোন অৱাংবা পায়বা খরনা ওত্তবী খরগা লোন্না লোয়নরুবগী পাউ খঙদবা য়াদদুনা খঙনরকপদগী লৈবাক মীয়াম মমাঙদা মশাগী (হায় রেঙ্কিং ওফিসলদুগী) ইকায় খুম্নবদা নত্তনা থবক মফম ফাওবা মাঙখিবসি চঙফম থোক্তবা মফমশিংদা চঙলুবদগীনি/লোয়নরুবদগীনি। গভর্ণমেন্টনা অমদি মীয়াম্না অদুগুম্বা মীওইশিং নুংশিরোই।

**কনাগুম্বগী ইকায়খুম্নবা মাঙবা য়াবা থৌওং তৌবা :-** অশেংববু ওইরবসু, শেংদববু ওইরবসু হৌজিক্কী মালেমগী লৈবাক কয়াদা সাইবর ক্রাইমশিংগী মশীং হেনগৎলক্লি। ত্বিটরদা নৎত্রগা অতৈ মেদিয়াগী খুথাংদা লন্নাই মীওই অমগী নৎত্রগা কাঙলুপ অমগী নৎত্রগা লাইনীং লাইশোন অমগী করেম কথাইনবা মমি (ফোটো) নৎত্রগা ফোটোগা কোন্নবা লুজদবা ৱাহৈ ৱাতা নৎত্রগা লন্নাইগী অরোনবা ওইবশিং য়ানরক্ত্রবা মতমদা নুপাশিংনা মরুওইনা নুপী ওইবীশিংগী করিসু খন্থদনা চথুবা থৌওং অচুম্বা নত্তে। মসিনা মেনখৎপা ঙম্লরোইদৌবা ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নবা মরম ওইবনা তুং কোয়না নুংশিনদবা থোকহল্লি। লৈবাক অমগা অতোপ্পা লৈবাক অমগা ওইরগনা অনীগী মরক্তা ঈং তপ্পা লৈহন্দে, নুংশিনদনবগী মরু হুলহল্লি। মসি তৌরোইদবনি।

**ঙাঙলোইদবা-তৌরোইদবা তৌবা :-** মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা, ওইদ-পাদবা, অফবা ওইরবসু তৌবা ঙমগদবদুগী ৱাংমদা ঙহাক্কী লিৎনবনি-থাজহন্নবনি হয়দুনা য়ারিবমখৈ ঙাঙলোইদবনি। তৌরোইদবা/পায়খৎলোইদবা প্রোজেক্ট/থবক ঙহাক্কী নুংঙাইহন্নবা/থেম্নবা মওংদা খক তৌরোইদবনি। ঙমখ্রবদি ফখ্রে নৎত্রবদি মসিনা তুংদা থাজবা মাঙহনবদা নত্তনা ঙাঙলিবশিংদু তুং কোয়না নুংশিদনবগী মচাক/মরম ওইহল্লি। লৈঙাকপশিংনা তোয়না হায়গনবা/তৌগনবা ওইরবসু-মীচমশিংগী মরক্তসু অহানবা খুদোংচাবা লৌরমদাইদা মীচম মীয়ামদা মখোয়না মোইথেম তৌরগা ওইদবা-হেঞ্জিনবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ অমদি তৌবা ঙমগদবা থৌওং উৎপা কয়া য়াওই। হায়রিবশিংসি অচুম্বা-অফবা-ময়াম্না য়াবা থৌওং অমত্তা নত্তে। অসিগুম্বসি তৌরোইদবনি। মালেমগী লৈবাম অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমদা শাউনীংগদবা, কিহন খংহন্নীংঙাই, মীগী লৈবাক মনুংগী ঈং তপ্পদা শোক্নদবা ৱাঙাঙ/ৱাহৈ-ৱাতা অমদি ইথিল পীরোইদবনি।

**চারোইদবা/থক্লোইদবা :-** মালেমদা মাঙনবা অমদি নুংশিনদনবগী মরম ওইবসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং চাবা অমদি থকপনি। মসিনা খুন্নাইদা শেম্মিৎলোন, লমচৎ-শাজৎ, হৌন-লোনচৎতা য়াম্না চাউনা শোকহল্লি। মশা মউ শোকহনবগা লোয়ননা তিঞ্জং কায়জংবা মালেমগী খুন্নাই অমা ওইহল্লি। অমুকসু নুংতি নুমিৎ খুদিংগী চারিবা চিঞ্জাক ফাওবদা হেঞ্জিন্না চাবা/থকপা তৌরবদি - ফৈ হায়না খল্লিবা পোৎতুনসু হেঞ্জিন্না চাশিল্লিবা মশাদা ফত্তবা ওইহল্লক্তুনা চাহৈদবা-থকহৈদবা পোৎশক কুম্না ফত্তবা ওইহল্লকই। নাকল অমরোমদা অমুক, মরম চাদনা কা হেঞ্জিন্না মথৌ তাদবা মীওই অমদদি কান্নরবা হীদাক নৎত্রগা চিঞ্জাক ওইরিবনি। হীরম খুদিংমক্তা অচুম্বা থৌওং চথুবা হায়বসি মালেমদা ঈং তপ্পা অমদি নুংশি চান্নবা পুরক্লবগী মরম অমসুনি। মরমদি, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মশক ওইবা চিঞ্জাক চাবনা খুন্নাইদা মরম কয়াদা অকায়বা/ফত্তবা থোকহল্লি। অদুনা য়ারিবমখৈ চারোইদবনি/থক্লোইদবনি।

**পোৎশক্কী মতিক ময়াই অমদি মমল খঙদনা পাম্মুবা খঙদবা :-** মালেমগীদা হৌরিবা ফংলিবা পোৎশক (অহিংবা/হিংদবা) খুদিংমক মশা মশাগী ওইবা ময়াই/কান্নবা মরম অমমমদি লৈজবা মক্তনি। লোয়নমক্না খঙদ্রবসু অখঙবশিংনা পোৎশকশিংদুগী মতিক ময়াই/কান্নবা মরম মালেমগী মীয়ামদা খঙহল্লবা মতুংদদি মখোয়শিংদু পরম চুম্না শীজিন্নবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাংনি। মসিনা মালেমগী খুন্নাইদা ঈং-তপ্পা অমদি নুংশিনবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। খুদম, মালেমগী লৈবাক অমগী শরুক খরদগী হৌরকপা তুরেলগী ঈশিং, মালেমগী অতোপ্পা লৈবাক অমদসু ঈচেল ওইনা চেনবা য়াওরি। পরম চুম্না শীজিন্নমিন্নরবদি লৈবাক অনীমক্তা কান্নহনবতা নত্তনা নুংশিনবা মরী থন্বা ঙমহল্লি। নৎত্রবদি অমনা মশাগীতা ওইজবা থিবদগী তৌহন্নীংদবা হেক তৌরুবদা অতোপ্পনা য়ানীংদবা/ৱারৌবা ওইরক্তুনা ঈং-তপ্পা নুংশিনবা ওইহন্দে।

খোনিগী ওইবা শুংদোক্ত্রিবা পোৎলমশিং মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা চপ মান্ননা ফংদবনা কনাগুম্বা খরনা মোনোপোলি তৌদুনা নৎত্রগা থাদোক থাজিন্দা অথিংবা থমজিনবা মতমদা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা শীজিন্নবগী মথৌ তারকপদু ফংনদবদগী অৱাবা মায়োক্লরকপদগী মালেমদা ঈং তপ্পা অমদি নুংশিনবা মাঙহল্লি। ইনাক খুনবা মচা-মশু খরনা পোৎকী মমল খঙলবসু খঙদ্রবসু পাম্মুবা খঙদনা ঙমই হায়বা নাপলগা লোয়ননা পঙশি শীজিন্নথোকপসি চুমদবা থৌওংনি। মসি তৌবা ফত্তে হায়রোইদৌবগী মরম লৈতে। অর্বান্নাইজেসনগী মিংদা চীং-পাৎ-তুরেল মাঙহনবা, অকোয়বগী ফীভম য়োক্তুনা থল্লম্বা উমং-ৱামংদা হৌরম্বা উ-ৱা, মমল য়াম্বা মনা-মশিং অমদি অচৌবা মচা থৱায় পানবশিং মাঙহনবা, ঈশিংগী ঈপাক ওইরিবা সমুদ্রদা ফেক্টরিশিংদগী, চাংয়েংশঙশিংদগী পুথোরকপা অমোৎ-অকায়, হুগী মশক ওইবা পোৎলমশিং থাদদুনা ঈশিংদা লৈবা থৱায় পানবশিংগী মতিক ময়াই অমদি কান্নরবা মমল য়াম্লবা পোৎথোক অমুক মখোয়দগী ফংগদবশিং ফংবা ঙমহন্দনা মাঙহনবা হায়বসি মালেমগী ওইনা মরী লৈনবশিং পূন্না হিংমিন্নবদা পীবা অচৌবা চৈথেংশিংনি। মীওইবা য়াওনা থৱায় পানবশিংগা মহৌশা লাইরেন্বীগী ঈং তপ্পা অমদি নুংশিনবগী অমনা অমদগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা মরীদা য়াম্না চাউবা চৈথেং পীবা, মরুওইনা মীওইবশিংনা শিনবসি অচুম্বা থৌওং থৌশিল নত্তে। মসি তৌরোইদবনি।

**য়োকখৎপা-কনবিবগী ৱাখল চেন্দবা :-** মালেমগী মীওইবশিংনা মরম খরদগী মীওইবা কাঙলুপ খরা, অহিংবা শা-ঙা, পোৎলম খরা মালেমগী লৈমায়দগী মুৎখিবা য়াবগী মরম থিজিনবদগী খঙলক্লবা মতুংদা মখোয়শিংদু মখা তাবা চৈঙাক/মতেং হায়বদি কনবিবদা/ঙাকপীবদা মথৌ তাবা মচাকশিং পীশিল্লগা হিংহন্নীংবগী ৱাখল/থৌওং লৈবা অদু য়োকখৎপীবা হায়রিবসিনি। নাকল অমরোমদা - য়োকখৎপীবা হায়বগা হিংনবা/শিদনবা অকনবা মিৎয়েং চঙদুনা হোৎনবিবা হায়বগা অমৎতনি। মীওইবদা ওইরগনা- কনাগুম্বা অমনা লানবদি লানবা অদুবু য়াম্না চাউনা লানবদি নত্তবিদা ঙাকপীহৈবা থৌওং উৎপীবদু কনবিবনি। মসি নত্তবিদা মালেমগী হায়বদি মহৌশাগী ওইবা অহোংবা থৌওং খরদগী হান্না মতম অমদা লৈরম্বা থৱায় পানবা শা-ঙা, পাম্বী-শিংবী মুৎখিবগী মরম তুংগী থিজিন লৌশিংলোয়শিংনা হৌজিক পুথোক্লক্লি। মখোয়না অমুকসু খরা অমদি মালেম তাইবঙপানসিদগী মুৎখিবা য়াবগী ফীভম লৈবসি মালেমগী অখঙ অহৈ অমদি মথৌ তাবা মতেং পীবা ঙম্বা লূপশিংনা মাঙথরগা খঙদবা অতৈ ময়াম্না মতুং ইল্লগা পূন্না হোৎনমিন্নরবদি মথক্তা হায়খিবসি মায়োক্লবা ফনা য়াম্না ঙমগনি। খঙদবা কয়ানা অখঙবশিংগী লমজিং লমতাক তুং ইল্লগা অমদি পাউতাক পাউজেল লৌরগা মথৌ তারকপা য়োকখৎপা অমদি কনবিবগী চেল্লমদবা ৱাখল চেন্দুনা মালেমগী খুন্নাই ঈং-তপ্পা, নুংশিনবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই হায়নীংই।

মসিগী মথক্তা, মালেমগী লৈবাক কয়াদা খুন্দারিবা তোল্ল-তারবশিং, লৈত-লায়রশিং, অশোন-অনাশিং, নুপী-অঙাংশিং, মহৌশাগী ওইবা থৌওংশিংনা মরম ওইদুনা পাক্তক্লনা অমাং-অতা, মখল খুদিংগী অৱা-অনা নংলবশিংবু পাংবা/তৌবা ঙম্বা মতেং/পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা মথৌ তারকপশিংবু য়োকখৎপীবা কনবিবা য়াম্না মরুওইবনা মসিগা মরী লৈনবা ৱাখল মালেমগী মীপুম অয়াম্বনা অফবা অচুম্বা ৱাখল চেনগদবনি। মসিনা নুংশিনবা হেনগৎহনগনি।

**ওইদবা ঙাঙবা/নমথাক তৌবা :-** হৌজিক্কী মালেমগী খুন্নাইশিংদা অফবা অচুম্বা চৎপা মী শারগা খঙজদবা মীচম মীয়ামদা ওইদবনা অওইবা মান্না ৱা ঙাঙদুনা, চিরোল নমথাক তৌবা মীগী মশীংসু অদুম য়ামই। মান্নবা হোৎনবদা লাইগীদা ওইরগনা লাইনীংবা মীনা লাইগী মরমদা ঙাঙবা ৱাঙাঙ-শাঙাং, ফিজেৎ ফিজোল/লৈতেং, ওফিসকী ওফিসিয়েল শাবা তারগনা মরী লৈনবা ওফিসতুগী চৎন-কাঙলোন খরা তৌরিবা থবক থানাগী মওং মতৌ আর্মি নৎত্রগা সেক্যুরিটিগী লৈফম ওইবা কেন্টোন্টমেন্ট/বেরেক/কেম্পনচিংবা ফাওবদা মফমদুদা লৈরিবা, মখোয়নদি এটেক তৌনীংলিবা মফমদুগী পার্সনেলশিংনা শেৎলিবা ফিরোল, পায়রিবা নোংমৈ (খূৎশু-খূৎলায়), মখোয়না শীজিন্নরিবা গাড়ীগী মখল অমদি মচুনচিংবা শীজিন্নরগা চঙলকপদা গেটতা মথৌ তৌরিবা সন্ত্রিনসু মখোয় মশেল ওইরবোই নীংদুনা থাজল্লবা মতুংদা খঙহৌদনা নোংমৈ, বোম অমদি অতৈ অফবা মখলগী খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা কাপ্পুনা হাৎলম্লগা খূৎলৈ থুনা নাম্থোক্তুনা চেনখিবা নৎত্রগা মফমদুদা চেকশিন্না লৈরম্বা পার্সনেল খরনা, শারগা চঙশিল্লক্লিবা খরবু কাপ্পুনা হাৎপা, খরবুনা ফাহৌরগা খরনা নাম্থোক্তুনা চেনখিবা থৌদোক মালেমদা অদুম থোকই। হায়রিবসি অচুম্বা থৌওং নত্তবনা এটেক্করগা দিফেন্দরগা অনীগী মরক্তা নুংশিনদবা থোকহল্লি। অচুম্ববু মতম শাংনা নমথদুনা থন্বা য়ারক্লোইদবা মতম ওইরক্লবনা অরানবা তৌবশিংগী থৌরাং মরায় চায়থরক্লগদবা মতমনি। ওইদবা কয়া ঙাঙলগা নমথাক তৌদুনা মীগী মরল-মথুম মুন্নবা কোয়না চৎলিবশিং মালেমগী খুন্নাইনা য়াম্না চেকশিনবীগদবনি।

---

# এদেদ অমদি লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মেত্রিক পরিক্ষাদা মায় পাকপগী চাং হন্থরকপগী মরম

**এম থম্বৌ সিংহ**

মণিপুর অপূম্বদা ঙসি ঙসিমক ঙাঙনরিবা মেত্রিক পরিক্ষাগী ফল লাউথোকপদা লৈঙাক্কী স্কুল অমদি এদেদ স্কুলশিং তোরা তুরে, লন্নাই স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংনা মকোক মথং লৌরে হায়রিবা অসিগী হৌরকফম য়াম্না চাউনা লৈ। মসি য়াম্না কুপ্না থিদোকপা অমা চঙই। ওইরক্লিবা লায়না অসি লায়েংবা ঙমদবা কেন্সরগুম্বা অনাবা ওইদে। অদুবু লায়না অসি চহী ৪০ গী ঙকয়া শুরবা কুম পুরবা অনাবা ওইবনা মসিদগী ফগৎহনবা হায়বসি অতেনবা মতমদা হেক্তা ওইবা য়ারোই। মসিদা লৈঙাক মপূ অমদি মরী লৈনবা লোইশঙশিংগী পুকচেল চাউবা, থম্মোয় শেংবা, শেঞ্জা থুমজা য়াওদবা, ৱাচৎ ৱানোমগী ৱা ঙাক্তা ঙাইদবা, য়াম্না পূক্লিং চঙনা য়েংশিনবা অমা চঙই। লৈঙাক মপূনা তঙাইফদনা এদ্যুকেসন্দা অহেনবা মিৎয়েং থম্বীবা, করপসন হায়বা ৱাহৈ অসি হীরম অসিদা মমি শুক্তা তাহনদবা অদু ওইরবদি নোংমা নোংমগী ফীভম ফগৎলক্তুনা অওনবা অমদি মগুণ লৈবা মহৈরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি অমদি লমদম অসিগী তুংগী আশা চাউনা তৌনীংঙাই লৈগনি। শোয়খ্রিবা পূম্নমক য়ামখ্রবা চহীশিং অসিদা মতম মতমগী লৈঙাকপশিংনা মতম মতমগী ইস্যুদা কোক উংদুনা লৈবা, নুপী অঙাংগী ক্রাইম, লালহৌবগী ইস্যু, ফেক এনকাউন্টরগী, এন এস সী এন (আই-এম) গী ইস্যু, বন্দ অমদি ব্লোকেদকী ৱাথোক ময়াম অসি নৈনদুনা লৈরিঙৈদা এদ্যুকেসন্দা মিৎয়েং থম্বা ঙমদবা ওইবা য়াই। অদুবু পূম্নমক মায়োক্লরবসু তুংগী অশাগীদমক মহৈরোয় খুন্নাইগী তঙাইফদবা থবক খরদি পায়খৎপা মথৌ তাই। মথক্কী শোয়খ্রিবা অরানবা কয়া য়াওখিবা অসিগী মচং ওইবা মচাক খরা পনবা তারবদি অহানবদা কুমজা ১৯৭০ অদুৱাইদা লৈঙাক্কী স্কুল অয়াম্বা অফবা ওইরম্মী। অফবা মহৈরোয় কয়া মখোয়দগী লাকপা ঙাক্তনি। ঙসি ঙসিমক লোইশঙ কয়াগী অচৌবা ফম পায়রিবা খুদিং লৈঙাক্কী মহৈরোয় ঙাক্তনি। অদুগী মতুংদা মতম অদুদা ওজা ওইরম্বা মণিপুরগী স্কুল এদ্যুকেসন্দা থবক তৌরম্বা কয়ানা থবক্তগী পোত্থারবদা লৈকায় লৈকায়দা লন্নাই স্কুল কয়া লিংখৎপা হৌরকখি। ওজা লৌবদা অফবা মগুণ লৈবা মীনা পৈশা অমদি শঙ্গ ৱাৎপদগী লৈহৌবা, মগুণ ৱাৎপা মীওই কয়া মতমদুগী দিরেক্টরগা মান্নরগা ওজা হাপ্পা, অশোয়বা কয়া অমা য়াওখিবা, মসিদা মগুণ য়াওবা কয়া লৈহৌরিবা মীওইশিং অদুগী ফিদা অনৌবা লিংখৎপা লন্নাই স্কুলশিং অদুদা ফংখিবনি। মতমদুদগী হৌরে লমদম অসিদা এদ্যুকেসন্দা পুমচাই চাইবা। লৈঙাক্লা ওজা লৌবদসু মশীং শুনা লৌদবগীরা ওজা লৈতবা স্কুল কয়া লৈরক্লিবনি। করিগুম্বদনা সহরগী ময়োল অমদি মসিগী অকোয়বদা স্কুল অমদা ওজা ৩০ দগীনা ৪০ ফাওবা লৈবা য়াওরিবনি। অতোপ্পা খরা হাইথবা খরা মনুং হঞ্জিনবা লমদমনা ওজাগী অৱাৎপা অঙকপা ফংনা লৈবা, অদুগীসু মথক্তা ওজা খুদিং অনকপদা লৈনীংবা, লৈঙাক্লা পোষ্টিং পীরবসু চৎতনা ওজাশিংগী ৱাচৎ ৱানোমদা দিরেক্টরনা পংথরগা লৈখিবা, খুঙ্গংগী স্কুল কয়াদনা ওজা খরনা অথাপ্পগী স্কুল কাদবা মখোয়গী তলব খরা কক্লগা লোকেলগী মীওই নেক্তুনা শীজিন্নবা পূম্নমক অসি নুংয়েং হায়বা তিন অদুনা ফৌ পাম্বীদা চিকপগুম চিকপা হৌরকখি।

অমরোমদনা ঙসাইগী লৈঙাক্কী ওজা লৌবদা য়াওবা ফংহৌদ্রবা ৱাচৎ ৱানোম হৈহৌদ্রবা কয়ানা ফিদা ফংলিবা স্কুলশিং অদুদা ইনাক খুনবা কয়াগী মচা-মশু অমদি এদ্যুকেসন্দা থবক তৌবা কয়াগী মচা মশু হায়রিবা স্কুলশিং অদুদা থাজিনবা হৌরকখি। মসি কনানসু চেনবা য়ারোই। মতমদুদা লৈঙাক্কী স্কুলদা লৈহৌবা মহৈরোয়শিংনা য়ৌনা ফীভম শোক্লবা মমা মপানা য়েংশিনবা ৱাৎলবা শুপ্পগী অঙম্বা খরা তঙাই ফদনা তমহনবা অদুগুম্বা ঙাক্তা লৈহৌখিবনি। অসিগুম্বা শোৎথরবা কয়ানা লৈহৌরিবা অদুগী মথক ওজা কাবসু তল্লবা মদুদা করম্না অফবা মহৈরোয় পুথোকপা ঙমফম থোকপগে। অমুক্তা কুমজা ১৯৮০ গী ওক্টোবরগী অহানবদা মণিপুরগী স্কুল ৬০৫ গ্রান্ট পীখিবনি। মতমদুদগী ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা অহেনবা থৌরাং থৌশিল করি পায়খৎপা য়াওখ্রবগে? এদেদপু ঙসি ফাওবা নমশিন্দুনা থল্লকখিবনি। মসিদা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিংদা ঙসিগী লৈঙাক্লা য়েংবীরিবা মিৎয়েং অসি করিনো? অমদি করি ৱাখল খনবীরিবনো? মসিমক ঙসিগী মীপুম খুদিংনা কোক ঙাওবা মখৈ হংনরিবা ৱাহংনি। মসি য়াম্না লাইবক থিবনি।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা মণিপুরগী রিকননাইজ স্কুল ৬০৫ গ্রান্ট পীবা য়ারে খন্না পীখিবসি গ্রান্ট হেক ফংখিবগা মতুংদা করিগুম্বা অহেনবা ফগৎনবা থৌরাং অমা ফাওবা য়েংশিনবীদনা লাকখি। শুপ্পগী সেঙ্কসন পোষ্ট অনী অহুমগী তলবনা ওজা ১৮-১৯ ফাওবা য়েন্নদুনা লাকখিবনি। চহী ৩৭-৩৮ অসি অৱাবতনা শরুক ওইদুনা লাক্লবা, ওজা অহেনবা পীবগী মহুৎ কুমজা ২০০২ দা মণিপুর লৈঙাক্তা সেন্তরনা ১০০/১০০ গ্রান্ট পীবা, হিন্দি পোষ্ট ৯৯ ককথৎলগা থম্বীখিবনি। স্কুল খুদিং লৈরম্বা এপ্রুভ পোষ্ট চহী শুদুনা পোত্থাখিবদা হান্না মহুৎ হাপচিনবা য়ারম্বা অদুসু কুমজা ২০০৬ তগী থৌবাল হাওখাগী (মাইপাক হায়স্কুল) স্কুলদা থোকপা ৱাথোক অমনা অচুম্বা ৱায়েল তৌবগী মহুৎ মণিপুর অপূম্বগী স্কুল ৬০৫ দা ওজা মহুৎ শিনবা থিংজিন্দুনা থমখি। মসিদা এদেদ স্কুলশিংনা করম্বা অফবা মহৈরোয় পুথোকপা ঙমগদৌরিবনো? হোংলক্লিবা মতমসিগী মতুং ইন্না সেন্তরগী ৬ শুবা আর ও পি লাকপদা অপীকপা ওজা ২/৩ গী তলবনা অৱাবা খাংলিবা ওজা ১৮/১৯ য়েনবা অদুগী অহোংবা অমফাওবা য়েংবীবগী মহুৎ নমশিন দুনা থল্লিবনি। মসিদা মগুণ লৈবা মহৈরোয় করম্না পুথোক্কনি। এদেদ স্কুলদা মিং চনবগী ফী লৌদে, তন্বীবগী ফী লৌদে, অৱাবা খাঙবা ওজাশিংনা তলবনা পীক্লা ফংবনা অতোপ্পা থবক কয়া শুবা স্কুল নংনবসু হোৎনবা মসিদবু এদেদ স্কুল করম্না হিংগনি। মসিদা থৌ পুরিবা লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবগী ৱাহম্থোক করিনো? অমুক্কসু মশাগী তলব মশক শুকউ উহৌদনা ওজা ময়ামগী অমদি মহৈরোয় খুন্নাইগী খন্দুনা কৎথোক্তুনা লাক্লবা ওজা কয়া থবক্তগী পোত্থাখিবদা ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা খঙদা উদবা শাদুনা তুমিন্না খাঙজিনবা অচুম্বা থৌওং নত্তে। চহীনা লুমশিল্লবা, পুন্সি নুমিৎ তাশিল্লক্লবা ওজাশিং অসিবু নুংশিবীদুনা পেন্সনমক ওইদ্রবসু অতোপ্পা থৌরাং অমনা অহল ওইবগী পেন্সন পীবগুম হান্নগী লৈঙাক্লা থওইনা খনবীরমদ্রবা মরাইবক থিরবা ওজাশিং অসিগী হিংননবা লম্বী ঙসিগী অওনবা অমদি অহোংবা কয়া পুরক্কদৌবা মথৌখক্তা উদুনা লৈরবা ঙসিগী লৈঙাক্লা অহল ওইরবশিং অসিগী মতেং খরতা ওইরবসু পাঙবীরক্কনি হায়না আশা তৌজরি। অরোইবা ওইনা ঙসিগী পরিক্ষাগী ফল অসিদা মায়থীরিবা অসি স্কুলশিং নত্তে। মকোক মথংগী অমদি পোজিসনগী মনা লৈঙাক্লা লৌবা য়ারোই, লন্নাই স্কুল লিংখৎপশিংনা ফংজগদবনি। ইকায়ফম থোকপদি স্কুল য়েংশিনবীদনা লৈরিবা লৈঙাকনি। অশোয়বা পূম্নমক্কী দায়ত্ব লৈঙাক্লা পুগদবনি।

---

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অচুম্বা খরা তৌবিরো, মীচম মীয়ামসু নখোয়গীনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***ইকায়খুম্নজরিবা*** এডিটরগী মফমদা ৱাহং খরদং হংজরি মদুদি (১) ঙসিগী খুন্নাইসিদা মনুং মপান নাইদনা পার্সেন্টেজ লৌবগী চৎনবী অমা লৈরিবসি করম্বা মতমদা মুত্থৎপা ঙমগনি? (২) প্রাইভেট বেঙ্ক অমসুং গভর্ণমেন্ট বেঙ্কনা একাউন্ট হোলদরশিংদগী পৈশা পোইন্ট খিত্তং লৌথোকখিবদা ওথোরিটিনা, কনানবু খঙলমগনি? কনানা কালকুলেট অমুক তৌরমগনি? (৩) ভোটতা থাদখিবা শেনফম ময়ামদো মীয়ামদা থম্মোয় শেংনা দান ওইনা তৌরগে খনবিগদৌরিব্রা? মদু ওইরবদি শেন্বীবা মপূনা পেনবিগনি খল্লি। অদুবু মথংগী ইলেক্সনগী লেপ্পবা শেফম্না কমদৌবা তাবা? নৎত্রগা অকাবা কাদবা থিদনা করম্বা মতমদা মতৌ করম তৌনা হনজিন্নবা হোৎনগদৌরি? (৪) প্রাইম মিনিষ্টর, প্রসিদেন্ট অমদি অচৌবা ফম্নাইবা কয়া লাকপদা মখোয়না চৎকদবা লম্বৈল খুদিংদা য়াম্লবা শেনফম পুথোক্তুনা ঙাইহাক্কী ওইবা শেমজিন শাজিনবগী মহুৎতা গভর্ণমেন্টকী শেন্থং মখাদা তৌরিবা কন্সত্রক্সন ময়ামদা ঈশিং চাং নাইনা চাইনবা অমদি কাঙলোন চুম্না য়েংশিন্নবা মীওই খরা থম্বনা ফরোইদ্রা? তেক্তবা কায়দবা চেকখাইদবা করম্ববু য়াওরিবগে? (৫) গভর্ণমেন্টগী মখাদা চলাইরিবা ওফিসশিংনা অরানবা তৌরম্বা মীওইশিংদগী লৌরিবা ফাইন ময়ামশিংসে ওনলাইনগী খুথাংদা থিবা য়ারগদি য়াম্না নুংঙাইননি খল্লি। নৎত্রগা একাউন্ট অমদা তশেং তশেংনা থিহল্লবসু ফগদ্রা খনজৈ, মরমদি মরক্তা হাইদোকখিদনবা, মসিবু য়াম্না কায়গদ্রা? (৬) ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবগী নামাদা লৌখৎলিবা টেক্স ময়ামদুনা কনাগী ওইবিরবনো? কাঙলোন চুম্বসু ময়াম অমদি শোয়দনা লৈরমগনি? অদুবু য়ু থক্তুনতা লৈবা মহাক্তুনা ঙসিদি থক্ত্রে হায়বদা থাজগদবা মীগী মশীং থিবা ঙম্লোইদ্রনে? (৭) ‘হুন্নরবদি লৈতুম ৱাৎতে’ ভোট মমাঙদা হুন্নখিবা ময়ামদো মীয়াম খুদিংসু তারমগনি খনজৈ। মেদিয়াশিংগী খূৎথাংদগী অদুবু ঙসিদি হুন্নখিদ্রে। লৈতুমদো তোইখ্রবা জাৎলা? ঈশিং থিনরিব্রা মখোয়শিংদো অমুক লৈতুম তানবা? কৈদৌঙৈ অমুক হুন্নরগদবা মোৎলি খঙলবা লৈতুমশিংদো? (৮) ‘ভি আই পি কলচর মুত্থৎসি’ য়াম্না ফজৈ তাবদা অদুবু নখোয়না তোংলিবা কারদো রিস্কো ওইনা খনবা ঙম্লদ্রা? তাল্লিবা লন ময়ামদুনা বিক্ষারি ওইনা লৈনবা হোৎনবগীরা? নৎত্রগা নখোয়না লৈরিবা য়ূমদো খোল্লা ওইনা উবা ঙম্লদ্রনে? (৯) ‘ইফুৎতগী ঈশিং খুজোক খরা লৌথোকপদা ইফুৎকী ফজবা মাঙদবগুম’ ফম্নাইবা নখোয়না গভর্ণমেন্টকী একাউন্টদগী খিতং লৌববু কনানবু খঙদোইনো? অদুবু শেন্বীবা মানদি খঙলমগনি মদুগী দন্দিনা কমদৌবা তারে? (১০) হুরানবা, অরোৎপা করবার, করপসন মচা মচা তৌবনা ফানবগী আইনখক্তং লৈব্রা? অদুগা অচৌবা ফম্নাইবা নখোয়না তৌবগী ফানবগী আইনদি লৈতব্রা? লৈরমগনিদি খনজৈ? কনানা খঙগনি নখোয়না শেন্বা কাঙলোনবু মীকপ খুদিং হোংবা য়াই নখূৎতা থোকপা ঙাক্তনি। অদুবু শেন্বীবা মপূগী চৈরাক ঙাইদ্রিঙৈ ইশানা লাল্লুরে হায়বদুনা ফরোইদ্রনে?

নুংশিজরবা এডিটর, ‘নিংথৌগী মনাইশিংদি মতম শাংই, ইনিংথৌদি মতম তেল্লি’ অদুনা ইনিংথৌনা চুম্না চৎলবা, মনাই ময়ামসু ইনিংথৌগী তুংইন্নি। ইনিংথৌগী য়াথং য়াওদনা করিসু তৌবা ঙম্লোই মখোয়না অদুনা কাঙলোন চুম্না চৎপীনবা হায়মিন্নসি এডিটর?

অরোইবদা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়িশিংদা হায়জরি: কাঙলোন চুম্না চৎপীয়ু, লৈশি লৈথোন্না থম্মোয়নুংদগী ঙাঙবা তন্বীয়ু মীয়ামশিংসু হরাউ হরাউনা লোইনবিয়ু। অচুম্বা অরানবা, অফবা-ফত্তবা তাকপীয়ু মখোয়শিংদা, নখোয়নবু থম্মোয় শেংনা থবক তৌরবা মীয়াম্না নখোয়বু করিগী থাজরোই। প্রাইভেট ফার্মগী ফাইলশিং মীরং থাংদবগুম নখোয়গীসু লুনা নান্না থম্বীয়ু। ইশাগী ইথৌ মশক খঙনা তৌরবদি করিগী উগনি ক্কাদাং মহী, চুরুট-মতেক। নখোয় লাইরিক হৈরবা ঙাক্তনি করিগী তাকপিদ্রি অচুম্বা অফবদো মীয়ামদা নৎত্রগা লাইসু খঙদবগীরা? মদু ওইরবদি হংমিন্নসি পূন্না লাইরিক হৈতবা লাইশু খঙবা মখোয়দা মসিবু য়াম্না কায়রদ্রনে? করিগীদমক নমাগুল্লবা, নপাগুল্লবদা চাথক শেল, বোরা শেল হায়গদৌরি অদুগী মহুৎতা অশেংবা অচুম্বদো হায়বিখো, মখোয়গী থম্মোয় খুদুম চনবনা নখোয়গী মায় পাকপা ওইরক্কনি।

নুংশিজরবা এডিটর, ঙসিগী নে তাদ্রবা লমদমসিদা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবা মীশিংসু থিঙমদনা লৈরমগনি অদুবু পৈশানা শক্তিনা লোইনা শুমখ্রবা হায়বদু ওইরিগদ্রনে মৱা-মপাও কয়া তাবা উদে। মখোয়গীসু মতম অমদি শোয়না লাকখিগদ্রা ? মতমদুনা লাক্লবা মীহাৎ মীপুন লৈররোই, ওক্তবা ওক্তবীসু মুৎখ্রগনি, করপসনগী শারবা নুংশিৎসু নাম্মীবা নুংশিৎ ওইখ্রগনি। মতমদুমক্তি ঙাইমিন্নখিবা তারিব্রা এডিটর?

“অচুম্বা খরা তৌবিরো, মীচম মীয়ামসু নখোয়গীনি”

*অদোমগী - এ ভিমোচন্দ্র সিংহ, ক্কাসিফাই মমাঙ লৈকায়*

ময়োল থোকপা লাই

